# কাদাগী থৌমীশিংনা মোংশাঙ্গে অমসুং কদোমপোকপিদা চথখিবা দ্রাইভতা য়ুঙৌ লিটর ৪৩২ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
কোলিয়েসন এগেনষ্ট ড্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)গী অখন্নবা টিম অমনা ঙরাং নুংথিল ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মোংশাঙ্গে অমসুং কোদোমপোকপি এরিয়াদা চথখিবা দ্রাইভতা তোঙান তোঙানবা মীওই ৫ দগী য়ুঙৌ লিটর ৪৩২ ফাগৎপা ঙমখ্রে।



কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা ফোঙদোরকখিবদি চথখিবা দ্রাইভ অদুদা য়ু য়োল্লম্বা মীওই ৫ দগী য়ুঙৌ পূন্না লিটর ৪৩২ ফাগৎপা ঙমখিবনি। মোংশাঙ্গে ময়ায় লৈকাইদা লৈবা এলাংবম অবুংতোন (৪৪) অপোকপা লৌখিদ্রবা কোমোলদগী লিটর ৪০, থোকচোম শামুঙৌ (৬৫)দগী লিটর ৭০, থোকচোম নিলো (৩৭) অপোকপা শামুঙৌদগী লিটর ৭, কোদোমপোকপি মনিং লৈকাইদগী লাইশ্রম অরুন (৪৩) অপোকপা ইবোমচাদগী লিটর ৩০০ অমসুং লৈকাই অসিমক্তদগী চবুংবম অমর (৪৫) অপোকপা সিঐচ ইবোমচাদগী লিটর ১৫ ফংবা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা য়ুঙৌ অদু মফম অদুমক্তদা মীয়াম মাঙদা হৈদোক্তুনা অমদি মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না মহৈরোয় খুন্নাইদা পীবা চৈথেং হায়বসিদা কাদানা চখরক্লিবা এৱার্নেস প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নিংঙোম্বম হায়স্কুলদা একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নিংঙোম্বম হায়স্কুলগী হেদমাষ্টর ময়েংবম লোকেল, কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন অমসুং কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরী জেনরেল কোংব্রাইলাৎপম দিনানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

রিছোর্সপার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা, অচঙবা, মশা মউ ফবা মীওই অমমম ওইবা ঙম্নবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমত্তা চাংয়েং তৌগে হায়বগী ৱাখল খল্লোইদবনি হায়না মহৈরোয়শিংদা ফোঙদোকখি। চাংয়েংবু তৌরবদি লাইচুবা হায়বদু অদুমক ওইরক্কনি হায়রদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা মরুপ মপাংসিদগী মতম খূদিংমক্তা লাপ্পা লৈগদবনি হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

নিংঙোম্বম হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর ময়েংবম লোকেলনা হায়, একাদেমিক এৱার্নেস প্রোগ্রাম অসিগী কান্নবা মপুং ফানা লৌদুনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংবু ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়া চাহন্দনবা হোৎনসি।

কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম দোরেন্না হায়, ড্রগকী প্রোব্লেমখক নত্তনা মণিপুরদা মপান লমদগী নিয়ম কায়না চঙশিল্লকপা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা য়েলহৌমীশিংগী মশীংদগী হেনখিদুনা ঐখোয়গী কাঞ্জুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা চাউনা মায়োক্নরি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবা মীরোলশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখল কয়া শীজিন্নদুনা লৈরগদি খুন্নাই অসি হেন্না অরুবা ফিভম অমা মায়োক্নদুনা কাঞ্জুল মুৎখিবা য়াই। মরম অদুনা ঐখোয়গী তুংগী লাইবক ঙসিগী মহৈরোয়শিংনা অমদি নহাশিংগী খূৎতা লৈবনা মতম পূন্নমক্তা হকচাং ফনা লৈনবগীদমক অফবা চীঞ্জাক চাবা মথৌ তাই হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

# নুপী অঙাংদা চথবা ক্রাইমগী মতাংদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
ওল মণিপুর ৱুমেন্স ভোলুন্টরি এসোসিয়েসন (অমৱোভা)না শীন্দুনা নুপী অঙাংদা চথবা ক্রাইম হায়বসিদা নোংমগী এৱার্নেস প্রোগ্রাম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খোংজোমদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ ইংলিস স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অমৱোভাগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানি দেৱী, খোংজোম ষ্টেন্দর্দ ইংলিস স্কুলগী প্রিন্সিপাল এল সমানন্দ সিংহ অমসুং সোসিয়েল সাইন্টিষ্ট ধনবির লাইশ্রম্না মথংশিংনা অথোইবা মীথুং অমসুং ৱাঙাংলোই ওইখি।

নুপী অমদি অঙাংশিংদা চথৰিবা মীওৎ মীনৈ থিংনবা কেম্পেইনগী মনুং চন্না বোর্দিং অমদি হোষ্টেলশিংদা লৈরিবা নুপীমচাশিংনা খুয়া তুশিংনা মহৈ-মশিং তমজবা ঙম্নবগীদমক বোর্দিং অমদি হোষ্টেলশিংদা য়েংশিন খোঙচৎ কয়া চথদুনা লাক্লি। হৌজিক ফাওবদা পূন্না নুপীমচাশিংগী বোর্দিং অমসুং হোষ্টেল ২২ দা য়েংশিল্লুরে। অয়াম্বদি মওং তানা অঙাং নুপীমচাশিং লোয়নরম্বা থেংনরকখি।

অদুবু নুপী অঙাংদা চথরিবা ক্রাইম কয়া হুম্বহন্নবগীদমক ওঝা, মহৈরোয় অমদি মীয়াম পূন্না ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তারকপনা মরম ওইরগা অমৱোভানা এৱার্নেস কেম্পেইন অসি চথবনি হায়রি।

# জফৌ কৈথেল অমসুং অকোয়বগী অমোৎ অকায়শিং শেংদোকখ্রে

চান্দেল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
জফৌ বজার ওথোরিটি চান্দেল অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস খুৎশম্নদুনা লু নানবা মফম ওইহন্নবা অমদি পুলিস অমসুং মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবগী পান্দমদা ঙসি অয়ুক্তগী চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী জফৌ কৈথেল অমসুং অকোয়বগী অমোৎ অকায়শিং শেংদোকখ্রে।

অমোৎ অকায় শেংদোকপা অদুদা এস পি চান্দেল এন মোধুনিমাই, এস দি পি ও চান্দেল লাইশ্রম হরেন্দ্র, চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী ও সি পোৎশংবম সুর্জকুমার, পুলিস পার্সোনেলশিং, জফৌ বজার ওথোরিটিগী চিয়ারমেন ঐচ এল লোর্দসন অনাল, ফাইনান্স সেক্রেটরী থুমলি জোইসিং মোন্সাং, এগজিক্যুটিভ মেম্বর কে লুরু মোন্সাং, পোৎফম অমদি দুকান ফম্বীশিং, কৈথেল মনাক্তা লৈবা ভিল্লেজগী খুঞ্জাশিং শরুক য়াখি।

ঐচ এল লোর্দসন্না ফোঙদোক-খিবদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী জফৌ বজার হেন্না লু নানবা মফম অমা ওইহন্নবা পান্দমদা পাক্তক্ননা অমোৎ অকায় শেংদোকপগী থবক অসি পাঙথোকপনি। চহী অসিগী ৱার্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেদগী হৌরগা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টপু অশং অমান্না থনবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইহন্নবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। অসিগীসু মথক্তা গ্রিন চান্দেল, ক্লিন চান্দেল হায়বা কেম্পেইন হৌদোকপা ওইনা জফৌ বজার ওথোরিটিনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস চান্দেলগা খূৎশম্নরগা লমতু শেংদোকপগী থবক অসি চথবনি।

এস পি মোধুনিমাইনা য়াল্লবা পুলিস পার্সোনেলশিং য়াওনা মতেং পাংবিবা অসিনা পুলিস অমসুং মীয়াম মরক্তা অচেৎপা মরী থম্বা ঙম্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইচানুপীগীদমক হায়বসিদা ওপন হাল্ফ মরাথোন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বেটি বচাও, বেটি পঢাও হায়বা থিমদা ইচানুপীগীদমক হায়না মিংথোনবা ওপন হাল্ফ মরাথোন মথং থা সেপ্তেম্বর ১৫ দা পাঙথোক্কদৌরি।

এস পি বিষ্ণুপুর হোপসন সাপমনা থাদোরকখিবা চেরোলনা হায়, কিলোমিটর ২১ গী ওপন হাল্ফ মরাথোন অসি মোইরাং সব দিভিজনগী মনুংচনবা সেন্দ্রা চীংখোঙদগী লমথারগা ন্যু মিনি সেক্রেটরিয়েৎ বিষ্ণুপুরদা লমথুংফম ওইগনি। হাল্ফ মরাথোন অসিদা য়াওনিংবশিংনা এস দি ও নম্বোল, বিষ্ণুপুর, মোইরাংগী ওফিস অমসুং দিষ্ট্রিক্টকী অসিগী মনুংদা লৈবা পুলিস ষ্টেসন খূদিংমক্তগী নমথোক্কবা ফোর্ম লেপ্পা ফংগনি অমসুং হায়রিবা ফোর্ম অদু সেপ্তেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা এস দি ও ওফিসশিং অমসুং পুলিস ষ্টেসনশিংদা সবমিট তৌগদবনি হায়রি।

# সোইহেম হাওমৈ লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অমদি এ দি সি তমেংলোংগী চিয়ারমেনসু ওইরম্বা জি সোইহেম হাওমৈ তাওশাং খুল্লেন খৌপুম সব দিভিজন্না ঙসি খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি)না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

এম পি সি সিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস অচৌবা সিংহনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি লৈখিদ্রবগী য়ুমদা চত্তুনা কোংগ্রেস পার্টিগী ফিরাল কুপ্পগা লোয়ননা ইকায় খুম্নবা উৎখি অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াখি। লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসি মশাগী চহী ৭৪ শুখ্রে হায়রি।

অতোপ্পা অমনা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ) নসু জি সোইহেম হাওমৈনা লৈখিদবদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। জেদ য়ু (এ এন এম)গী প্রসিদেন্ট অমু কামৈনা ময়াই ফমদুনা ঙসি নুংথিল জেদ য়ু হেদ ওফিস ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফম্না লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

মশাগী চহী ৭৪ শুখ্রবা সোইহেম হাওমৈ এ দি সি তমেংলোংগী চিয়ারমেন ওইরম্মী। ঈশ্বরবু থাজবা অমসুং কখোকপা লুচিংবা অমনি। মহাক্না জেলিয়াংরোংগী অপূনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা দান কয়া তৌরমখি। ইথক্লিক ক্লাস মতমদা জেলিয়াংরোং লিগেল কম্মিটিগী চিয়ারমেন ওইনা থবক তৌরম্বদা নত্তনা হাওমৈ কষ্টম অমসুং কলচরবু য়োকখৎনবা হোৎনবদসু অঙম্বা থাক্তা থৌদাং লৌরম্মী। মহাক্না তৌরম্বা থবকশিং অদু মতম পূম্নমক্তা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি হায়রি।

জোনেল চিয়ারমেনশিং, জেদ দব্লিউ য়ু এম, কামা, জেদ এফ এ, জেদ ৱাই এফ অমসুং অতৈ কয়ানা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

# কাইনাদা কৃষ্ণ জন্মগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী কাইনা মন্দিরদা কৃষ্ণ জন্মগী থৌরম হয়েং ইরাই নুমিত্তা হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরি।

থৌরম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবিরনবা পাউজেল পীবগা লোয়ননা চহীগী থৌরম অসিদা লৈবাক্কী অৱা অনা তারিবা, মীশি মীনা থোক্লিবা পূম্বা কোকপিনবা থৌনিজগনি। পাঙম্বম শাগৈ সেবা কম্মিটি কাইনাগী সেক্রেটরী পি লোকেন সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি কুমসি কুমগী নোংনিজবগা মরী লৈননা কংনা লৈরিবা লৌফমদগী ফৌ পাম্বী ৫-৫ দং পুবিরক্লগা শ্রী গোবিন্দজিগী চোরোন্দা কৎচদুনা থৌনিজবদা য়াওবিয়ু।

থৌরম অসিদা লোক সভাগী মেম্বর ডা. আর কে রঞ্জন সিংহসু শরুক য়াগনি। অয়ুক পুং ৯ দগী হৌনা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি হায়রি।

# রেলৱে অমদি এফ সি আই গোদাউন্দশিং য়েংশিল্লগনি ঃ ইপসা

জিরিবাম, আগষ্ট ২২ (জে এন এন )ঃ
এফ সি আই শিন্নীশিংগী খূৎশুমন মতিক চানা পীগদবনি হায়রদুনা রেলৱে অমদি এফ সি আই গোদাউন্দশিং য়েংশিনবা হৌরগনি হায়না ইন্টরনেস্নেল পিছ এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) জিরিবাম ব্রাঞ্চনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা ইপসা ব্রাঞ্চ ওফিস্তা পাউমীশিংগা উনবদা জিরিবাম ব্রাঞ্চকী ভাইস প্রসিদেন্ট এম নুংশিথোইবা সিংহনা হায়, জিরিবামগী এফ সি আই গোদাউন্দদা থবক শুরিবা শিন্নীশিংনা খূৎশুমন হেনগৎপিয়ু হায়না থবক লেপ্তুনা খোঙজং চথরিঙৈ চৈরক্তা ইরমদম অসিগী শিন্নীশিংবু নাথৈদুনা থল্লগা নিয়মগী ৱাংমদা সিলচরদগী মার্কেট শিন্নীশিং পুরক্তুনা পুং ১৫ রোম থবক শুহনখিবগী থৌওং অদু পেন্দে অমসুং য়ানিংদে। অসিগুম্বা থৌওং অসি কন্ট্রেক্টরনা জিরিবামগী মীয়াম্বু অমদি শিন্নীশিংবু উৎশিৎ থওইদবনি হায়না লৌই।

মহাক্না মখা তানা হায়, কে জি ৫০ গী চেঙ বেগ অমা থাংদোক থাংজিন তৌবদা লুপা ২ পীরিবা অসি লুপা ৪ দগী তাদনা পীগদবনি। কন্ট্রেক্টর পাউনম প্রেমচান্দনা সি এ এফ এন্দ পি দি লেবরর ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি। জিরিবামদা লৈরিবা রেলৱে অমদি এফ সি আই গোদাউন্দশিংদসু ইপসা জিরিবাম ব্রাঞ্চকী থৌমীশিংনা হাকথেংননা য়েংশিল্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা জেনরেল সেক্রেটরী টিঐচ লেনিস অমদি ফাইনান্স সেক্রেটরী ইবোহল শর্ম্মসু শরুক য়াখি।

# মহম্মদ রাফি এৱার্দ ফংখ্রবী সুনিতা ওকখ্রে

থৌবাল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
শক্লাইরবা শৈশকপা মুহম্মদ রাফি লৈখিদবগী ৩২ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মুহম্মদ রাফি মেমোরিয়েল সোসাইটিনা শীন্দুনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পঞ্জাবকী অমৃতসরদা লৈবা গুরু নানক ভবনদা পাঙথোকপা শক্লাইরবা শৈশকপা অসিগী ঈশৈদা য়ুম্ফম ওইবা ঈশৈ চাংদম্নবদা বেষ্ট প্লেবেক সিঙ্গর ওইদুনা মুহম্মদ রাফি এৱার্দ ফংলকখ্রবী মোইরাংথেম সুনিতাবু ঙসি হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

মহম্মদ রাফি এৱার্দ ফংলকখ্রবী মোইরাংথেম সুনিতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকগী মনুংচনবা খাঙবোক সোরোক ৱাংমদগীনি। ঙসি নুংথিল সুনিতানা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা খাঙবোক খুলগী অকোয়বদা লৈবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীওই অমসুং খাঙবোক বি জে পি মন্দলগী মীওই কয়া, সোসিয়েল ৱার্কর টিঐচ জাদুমনি য়াওনা হরাউ তয়াম্না ওকখ্রে।

মোইরাংথেম সুনিতানা ফোঙ-দোকখিবদি চহী ২০ লোম মণিপুরগী মপান্দা লৈরকলে। অঙাং ওইরিঙৈদগী ঈশৈগী কম্পিটিসন মচা মচা কয়াদা শরুক য়াদুনা এৱার্দ কয়া ফংখ্রে। অৱাংবা থাক্তা এৱার্দ লৌবদি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মণিপুরদা লৈদুনা মণিপুরী ঈশৈ শক্লিংবগী অপাম্বদি লৈ। সেনিপাৎতা লৈবা দিল্লি পব্লিক স্কুলগী ঈশৈগী ওঝা ওইনা লৈরিবী শৈশকপী সুনিতা ক্লাস টুয়েল্ভ লোইরবা মতুং মখা মহৈ তম্নবগীদমক দিল্লিদা লৈরকখিবনি। হৌজিক য়ুম পান্দুনা মচানুপা অমা লৈরে। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফাল, দি দি কে ইম্ফাল অমদি দিল্লি দুর্দসনগী এপ্রুভ সিঙ্গরসু ওইরি। মহাক্কী অপোকপগী মিংনা শ্যামসুন্দর অমদি অপোকপিগী মিংনা প্রিয়োশখি কৌই হায়রি।

# কংলাশা থাঙ-তা লূপ্পা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
থাঙ-তা লোইশঙ সনা কোনুংগী পাউতাক্লোই অমদি ষ্টেট কালা একাদেমি এৱার্দি শগোলবন্দ মোইরাং হনুবা মমাঙ লৈরক্তগী মোইরাংথেম মনিনা লৈখিদবদা কংলাশা থাঙ-তা লূপ্পা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট লাইফ্রাকপম মেঘচন্দ্রনা ময়াই ফমদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙবগী মীফম্না মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবা শিন্তাকপুরেল অসিগী মফমদা কোক নোন্দুনা ইকায় খুম্নখ্রে। মীফম অদুদা শিন্তাকপুরেল মনিনা হিংলিঙৈ মতমদা থাঙ-তা চাউখৎনবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাং কয়া শীংথবাগা লোয়ননা মহাক্না লৈখিদবা অসি থাঙ তাগী লমদা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়না লূপকী সেক্রেটরী এন অচৌবা মঙাংনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

## ঙসিগী রাষি ফল (২৩-০৮-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, হোৎনবা য়াবা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা, থৌশিনবা ওইবা, শান্তি লৈবা মতম্লি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা, শেল ফংবা মতম্লি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** অশোক অপন থেংনবা, কোক শাবা, মীনা য়েংশিনবা, শেল ফংবা, চৎপা মতম্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ হেন্না ফত্তে, ৭ খরা ফগনি।

**কর্কটঃ** খৎনবা, শাওনবা, শেল চৎপা, মীৱা মীশা তাবা মতম্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফগনি, ৮ ফত্তে, ৯ ফগনি।

**সিংহঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, হোৎনবা য়াবা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। শাওদবা ফগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১০, ১১, ১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, হোৎনবা য়াবা, মরুপ মফম ফগৎপা, মমল লৈবা পোৎ লৈবা য়াবা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা, শান্তি লৈবা মতম্লি। নক্ষত্র ১২,১৩,১৪ অফবনি।

**তুলাঃ** শোক্কনবা, শাওনবা মতম্লি। তপথবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** চয়েৎনবা, কোক শাবা মতম্লি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবা হৈ শিংঙউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ চাং অমদা লৈ, ১৮ খরা ফগনি।

**ধনুঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা মতম্লি। লম চৎপা কান্নগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ অফবনি।

**মকরঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, হোৎনবা য়াবা, মরুপ মফম ফবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্লি। নক্ষত্র ২১,২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** খৎনবা, শোক্কনবা মতম্লি। শাওদবা ফগনি। শেল চৎপা মতম্লি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪ ফত্তে, ২৫ খরা ফগনি।

**মীনঃ** খৎনবা, মত খেন্নবা, শেল চৎপা মতম্লি। অচৌবনদি চানবিরগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি চেকশিল্লু। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ ফত্তে, ২৭ খরা ফগনি।

# কঞ্জুমরস ক্লবকী কুমওন

ইম্ফাল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
কঞ্জুমরস ক্লব মণিপুরগী ২৮ শুবা কুমওন থৌরম থা অসিগী ২৫ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা ইম্ফালগী কোনুং লম্পাক্তা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি। থৌরমসিগা মরী লৈননা অনা লায়েংশঙশিংদা কঞ্জুমরশিংগী হক অমদি ফিয়ার প্রাইজ সোপশিংদা কঞ্জুমরশিংগী মীৎয়েং হায়বসিদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি হায়না ক্লবকী সেক্রেটরী ইন-চার্জ এস বিকোধোর সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

# কৃষ্ণ জন্মগী পাউজেল

ইম্ফাল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ কৃষ্ণ জন্ম থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী মীয়ামদা মরূ ওইনা হিন্দু লাইনীং চৎপশিংদা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম্না য়াইফ পাউজেল পীরি।

ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মপোক কুমওন নুমিৎ লাকপগা ইরোইননা ইরমদম মণিপুরদা শান্তি লৈবা, ইংনা চিক্না লৈবা, হাৎন শুনবা য়াওদবা অমদি নুংঙাই য়াইফবা লমদম অমা পীনবিবা ওইরসনু হায়না থৌনিজবগা লোয়ননা পাউজেল পীরি।

# উয়ুমপোকপি দাম শাবা লোইরগা কেনেলদি লৈরমদ্রে ঃ লৌমী মরুপ

ইম্ফাল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বি কেন্দ্রগী মনুংচনবা উয়ুমপোকপি দাম শাবদি লোইরে অদুগা দাম অসিনা লৌকোল কয়াদা ঈশিং পীগদবা কেনেলদি লৈরমদ্রে হায়না মণিপুর লৌমী মরুপকী সেক্রেটরী জুগোল সাইনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৌমী মরুপকী টিম অমনা কুম্বি কেন্দ্রগী মনুংচন্না লৈবা উয়ুমপোকপি দাম, এস দি সি ওফিস, হৱাইপোকপি আর্ব্বান ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমদি কুম্বিদগী সাইতোন তাবা লম্বীগী ফিভম য়েংশিল্লুবদা মওং মরিল তাদবা কয়া লৈরম্বা থেংনরকখি।

উয়ুমপোকপি দাম শাবদি লোইরগা দাম অসিনা ঈশিং পীগদবা কেনেলদি লৈরমদ্রে। দাম অসি শাখিবগী পান্দমদি কুম্বি সেটুপুর, কুম্বি তেরাখোং, ৱাঙু সাবল, ৱাঙু নাউদাখোং, বোরায়াংবি, সন্দংখোং অমদি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সগাং এরিয়াগী য়াওনা লৌ পরি লিশিং ৪ রোমদা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা পীবা হায়বসিনি। অদুবু হায়রিবা দাম অসিদি শাবা লোইরগা ঈশিং পীগদবা কেনেলদি অমত্তা লৈরমদ্রে। কেনেল শেমগদৌরিবা লাইরম মপানদি লনাই ইংখোল অমদি ঙায়োক পুখ্রিনচিংবা শেমদুনা লৈরম্লে। শেল চঙনা শারিবা দামগী কান্নবা অমত্তা মীয়ামদা ফংহন্দনা কেনেলদা পীগদবা ঈশিং অদু খোং তৌরগা তুরেলদা তাহন্দুনা লৈরম্লে হায়রি।

কুম্বি হৱাইপোকপিদা অর্ব্বান ৱাটর সপ্লাই স্কিম অমসু লৈ। স্কিম অসিনা কুম্বি ম্যুনিসিপাল এরিয়াগী অকোয়বদা লৈবা য়ুমথোঙ খূদিংদা থক্কবা ঈশিং পীনবা পান্দম থমখিবনি। হায়রিবা স্কিম অসি শঙ্গারবা মতুং মতম খরদি মীয়াম্না ঈশিং ফংলম্মী অদুবু হৌজিক্তি ফংখিদ্রে। করিগী ঈশিং ফংদবনো হায়না হংলুবদা খুগা তুরেলগী ঈশিং মোৎপদগীনি হায়না পাউখুম্লকখি। অদুবু ঈশিংগী ফিল্টর তৌগদবা মফম অদু তৌ হৌজিন্দুনা লৈরম্লে। ঈশিং চিংখৎনবা পম্প অমদি অতৈ ইম্ফ্রাষ্ট্রকচর কয়া মওং তাদবা ফিভমদা লৈরম্বসু থেংনখি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কুম্বি কৈথেলদগী কিলোমিটর অমরোম চৎলগা পুলিস ষ্টেসনগী ময়াদা লৈবা এস দি সি ওফিস মীয়াম্না লম পীদুনা শাবদি লোইশিল্লে। মতম খরা ওফিস অসি থবক হৌরম্মী। অদুবু হৌখিবা চহী খরা অসিদি ওফিস অসি হাংখিদ্রে। এস দি সি কুম্বিগী মথৌ পূম্বা মোইরাং কলেজগী জাগা অমদা তৌদুনা লৈরে। কুম্বিগী মীয়াম্না এস দি সি ওফিস অসিদগী কান্নবা কয়া ফংগনি হায়না অশা তৌরম্বা অদু ওন্ন-তৈনবদা শেল অমসুং মতম মাঙনবা ওইরে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি। অসিদসু নত্তনা কিলোমিটর ৬ লোম শাংবা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকা ফাউনবা কুম্বী সাইতোন লম্বী অসিসু অসুক্কী মতিক ফিভম চাদ্রে। গারী চখোক চৎশিন্দা অকিবগী মশক ওইরে। লৌমী মীয়াম্না মায়োক্নরিবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়াসু গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবদা য়েংশিন্দুনা শেমজিনবিদ্রবদি মণিপুর লৌমী মরুপ্না মীয়ামগা পূল্লগা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়নসু মণিপুর লৌমী মরুপকী সেক্রেটরীনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুর হিল জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী টিম্না চীফ মিনিষ্টর উনখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
মণিপুর হিল জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (এম ঐচ জে য়ু)গী প্রসিদেন্ট রামকুং পামৈনা লুচিংবা মেম্বর ৬ কী টিম অমনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহগা উনদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর খূদিংমক্তা প্রেস ক্লব অমমম লিংখৎপগী তঙাইফদবা অদু চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিল্লদুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী ওইনদি চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী মনুংদা শাবা হৌনবা হায়জখ্রে।

হিল জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংগী ৱা তারবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা মখোয়গী অপাম্বা অনীংবা অদু শোয়দনা য়েংশিনগনি হায়বগী থাজবা পীবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা হিল দিষ্ট্রিক্টশিংদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদা নীংথিনা খন্নখি হায়রি।

# ইন্টপ্রেনিয়র অমসুং ফার্মর ৩০০ দা লোন পীগনি

অগরতলা, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
প্রাইম মিনিষ্টর ইমপ্লোইমেন্ট জেনরেসন প্রোগ্রামগী মখাদা ট্রিপুরা খাদি এন্দ ইন্দষ্ট্রি বোর্দনা চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী মনুংদা ইন্টপ্রেনিয়র অমসুং ফার্মর ৩০০ দা লোন পীগনি হায়না লেপ্পদুনা লাউথোকখ্রে। মসিগীদমক লুপা ক্রোর ৬ শীজিন্নগনি।

মমাঙ শেনবা চহী ২০১৮-১৯ দা লোনগী শেনফম অসি লুপা ক্রোর ৫.১৭ ওইরম্বনি অমসুং শুপ্নগী বেনিফিসরি ৭৭ খক্তদা মদুগী কান্নবা পীরম্মী। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা বোর্দ ওফ দিরেক্টরগী মিটিংনা হিরম অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা লৌমীশিংদা হেন্না মতেং ওইনবা তঙাইফদনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎনবা য়ানখিবনি। সেপ্তেম্বর থা অসিদা খাদিগী পোত্থোক খূদিংমক চাদা ১০ দগী ২০ ফাওবা দিস্কাউন্ট পীনবা থৌরাং তৌরি হায়রদুনা নোর্থ ট্রিপুরাগী ধর্ম্মনগর, উনাকোতিগী কৈলাশ্বর, গোমাটিগী উদোয়পুর অমসুং সাউথ ট্রিপুরগী সবরুমদা অনৌবা আউটলেট ৪ সু হাংদোক্লগনি হায়রি।

# হায়ৱে ইংলিস স্কুলদা উ থাখ্রে



জিরিবাম, আগষ্ট ২২ (জে এন এন )ঃ
১১৯ ইনফেন্ট্রি বট্টালিয়ন (টেরিটোরিয় আর্মি) অসাগী ৭১ শুবা রাইজিং দেগা মরী লৈননা জিরিবামগী চন্দ্রপুরদা লৈবা হায়ৱে ইংলিস স্কুল কেম্পসতা মহৈরোয় অমসুং ষ্টাফশিং য়াওনা তোঙান তোঙনবা মখলগী উ চারা ৩০ রোম থাখ্রে।

থৌরম অদুগীদমক স্কুলগী ষ্টাফ অমসুং মহৈরোয়শিংনা ১১৯ ইনফেন্ট্রি বট্টালিয়নবু থাগৎপা অমসুং অপেনবা ফোঙদোকখি।

# দিসএবিলিটি কম্পিটেন্সকী সেসন চথখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২২ (এস এন এস )ঃ
দিসএবিলিটি কম্পিটেন্সকী মখাদা নৌনা এদমিট তৌরবা এম বি বি এস মহৈরোয়শিংগী ফাউন্দেসন কোর্সকী মনুং চন্না দিসএবিলিটি কম্পিটেন্স ঃ মিট দ পিপল হায়বা সেসন ঙসি রিমস ইম্ফালগী মিনি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

সেসন অসিগী মরূ ওইবদি মহৈরোয়শিংনা দিসএবল পার্সনশিংগী প্রোব্লেমস অমসুং প্রোস্পেক্ট অদু খঙননবগীনি। সেসন অদুদা ৱাংখৈদগী এল সশিরানি (হিয়ারিং ইম্প্যারমেন্ট), শিংজমৈদগী সিঐচ লোকেশ্বরি দেৱী (লোকোমোটর দিসএবিলিটি), লাইফম খুনৌদগী এস বিরলা দেৱী (লোকোমোটর দিসএবিলিটি), লুকের মনিং লৈকাইদগী এ সুরজিৎ সিংহ (বিজুয়েল্লি ইম্প্যারমেন্ট) অমসুং ৱাই অশালাতা দেৱী (ইন্টপ্রেটর/সাইন লেঙ্গোইজ) না শরুক য়াখি। অদুগা রিমস ইম্ফালগী দিন (একাদেমিক) ব্রোজেন সিংহ অকোইজমনা মোদরেটর ওইখি হায়রি।




